# অফবা মখলগী খূৎলায় পায়দুনা মতিক চাবা হোলদা ত্রেনিং তৌরবদি মণিপুরদগীসু ওলেম্পিক মেদল লৌবা ঙম্বা শুটর থোরক্কনি: এন ইন্দ্রজিৎ



এন ইন্দ্রজিৎ (ভেটরান শুটর)

(হান্নগী মখা...)

কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী ১৪দগীনা ২৫ ফাওবা মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা '৫শুবা নেসনল গেমস' অদুদা মণিপুর ৱিমেন টিম্না টুটু স্পোর্টস রাইফলদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি। শরুক য়াখিবা শুটরশিংদি ঐচ অশঙবী, এন ইবেমপিশক অমসুং এন ইন্দ্রসিনিনি। মণিপুরগী প্লেয়রশিং অসি য়াসকী কোচ ৱাই বিনোদকুমার অমদি সাই কোচ এল তোম্বনা অকনবা ত্রেনিংসু পীখি। ফিফ নেসনল গেমসতা মণিপুরনা শুটিংদা ব্রোঞ্জ অমা লৌবা ঙমখিবদুসু য়াম্না নুংঙাইজখি। থৱায় য়াওনা হোৎনজখিবদুগী মহয় খরদি ফংলে হায়না খঞ্জখি। নেসনল গেমস অদুদা মণিপুর শুটিং টিমগী ওফিসিয়েল ওইনা য়াওবিখিবসিনা নোংথোম্বম নিসিকান্ত, বামোন লৈকায়দগী তামো বুধনি।

মসিগী মখা তারকপদসু শুটিং মশান্নসি ষ্টেটসিদা খরা ফীভম ফনা থমহৌনবগীদমক জুরিগী ওইবা অখন্নবা ত্রেনিংনচিংবদসু য়াসকী বিনোদকুমারগা ঐখোয়নিসি চৎচরকখি। কুমজা ২০০৫দা মুঙ্গিয়রদা তৌখিবা ইন্টরনেসনল জুরি কোর্সতা ঐখোয়নীমক বী ইন্টরনেসনল পাস তৌজরকখি। অৱাং নোংপোকে ইনি দয়াগী ওইনা ইন্টরনেসনল জুরি বি পাস তৌবসি ঐখোয়নীনা অহানবনি। তশেংনা গেমসিদা খোঙ থাংজিঙ্গরুরবনিনা শুটিং মশান্নসি মণিপুরদা খরসু থাক ৱাংনা লৈহঞ্জনীংই। মণিপুরী মচাশিংনা শান্নগদবা গেম মখলসু ওইহায়না খল্লি।

ইন্টরনেসনল জুরি ওইজরকপদগী ঐহাক ইশামক ইন্টরনেসনল শুটিং কম্পিটিসন খরদসু শরুক য়াজখ্রে। অহানবা জুরি ওইনা ঐহাক্না য়াওজরকখিবসি ন্যু দেল্লিদা তৌখিবা কম্মন ৱেলথ শুটিং ফেদরেসন হায়বদুদনি। ইন্দিয়াদা তৌখিবা কুমজা ২০১০গী কম্মন ৱেলথ গেমসকী মাঙওইননা তৌখিবা কম্পিটিসননি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১০গী কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়ানা শুটিংদা মেদল ময়াম অমসু লৌবা ঙমহৌই। ইন্টরনেসনল জুরি ওইনা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং কম্পিটিসন্দসু শরুক য়াজরুরে। মসিগা



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

লোয়ননা গুৱাহাটিদা কুমজা ২০১৬তা তৌখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতসু মণিপুরদগী জুরি ওইনা ঐখোয় অহুম য়াওখি। মণিপুরদগী ইন্টরনেসনল জুরিদা পাস তৌবসি এম রাজবীহারি (এস পি, এম টি ইম্ফাল ইষ্ট) নি।

অদুগা, মণিপুরগী নুপী শুটরশিংগী মনুংদা অহানবা ইন্টরনেসনল থাক য়ৌবা ঙমখিবদি এন সাইনী, ঐগী ইচানুপী অতোনবীসিনি। ঐনা হান্নসু হায়জখ্রে, ঐখোয় ইমুংদি অশেংবমক শুটরশিংগী ফেমিলি হায়বদুনি। ইচাশিংসু, ইচলশিংসু লোইনা নোংমৈ কাপ্পী। নোংমৈ কাপ্পা ইমুং অমদা চাউরকখিবা ওইবনা শুটিংগী নোলেজ খরদি মঙোন্দসু অদুম লৈ। অদুবু অহানবদদি সাইনিসি রাইফল শুটিংদা হেন্না পূক্লিং চঙবা হায়বদুদি ওইরক্তে। খরা খরা কাপ্লবসু ফিফ নেসনল গেমসকী মতমদুদদি মহাকসি ময়ামগী চা পুথোক পুশিন তৌবা অদুমাইনা লৈরম্বনি। অদুবু কুমজা ২০০২দা কোইম্বেটোরদা তৌখিবা '১২শুবা জুনিয়র ৱিমেন শুটিং কম্পিটিসন' গী স্পোর্টস রাইফল মিটর ৫০গী প্রোন (এন আর) দা শিলভর মেদল লৌবা ঙম্লকখি। অদুদগী মথং-মথং গোল্ড, শিলভর, ব্রোঞ্জ লেপ্তুনা লৌরকখি। কুমজা ২০০৫দা কেরলাদা তৌখিবা '১৫শুবা জি ভি এম ৱিমেন ইনিদভিজুয়েল' গী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পি (এন আর) দা ন্যু জি ভি এম রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা সনাগী মেদলসু ফংলকখি। মসিগী মখা তারকপা ইনেদারদা, গুৱাহাটি নেসনল গেমসতা গোল্ড অহুম, শিলভর মরি, ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল মাপন নেসনল থাক্তা লৌরবা মতুংদা কুমজা ২০০৭কী জুন থাদা চেক রিপব্লিক্তা তৌখিবা ১৭শুবা মিটিং ওফ দি শুটিং কম্পিটিসনগী জুনিয়র ৱিমেন টিমগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পি (আই এস এস এফ) তা ব্রোঞ্জ ফংলকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০৭কী দিসেম্বর ৩দগী ১৩ ফাওবা কুৱেটতা পাঙথোকখিবা '১১শুবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ' তসু মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন (আই এস এস এফ) জুনিয়র ৱিমেন টিমদা গোল্ড লৌরকখি। লোয়ননা স্পোর্টস রাইফল থ্রি পিদসু শিলভর মেদল ফংলকখি। ইচানুপী সাইনিসি কুমজা ২০০৭/২০০৮দা রোটরি ক্লব ইম্ফালনা স্পোর্টস পার্সন ওফ মণিপুর হায়দুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীরকখিবসু লৈখ্রে।

-মথং-মথং

# ইন্দিয়ানা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১২ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্ট ফেদরেসন (আইএসএসএফ) ৱর্ল্ডকপ ২০১৮গী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈখ্রে। ইন্দিয়ানা গোল্ড মরি, শিলভর অমা অমসুং ব্রোঞ্জ মরি পূন্না মেদল ৯ ফংলগা অহানবা ওইনা আই এস এস এফ কম্পিটিসনগী পোইন্ট টেল্লিগী মকোক্তা লৈরগা পুৱারী শেমখিবনি।



শুটিং ৱর্ল্ড কপ অসি লোইশিনবগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী শুটর অহুম্না মেন স্কিট কম্পিটিসনগী পোদিয়ম অমক্তা য়ৌবা ঙমহৌখিদে। মেন স্কিট কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী স্মিথ সিংহনা পোইন্ট ১১৬ স্কোর তৌরগা ১৫শুবা, অঙ্গদ বাজৱানা পোইন্ট ১১৮ স্কোর তৌরগা ১৮শুবা অমসুং সিরাজ সেখনা পোইন্ট ১১২ স্কোর তৌরগা ৩০শুবা পোজিসন দা লৈহৌখি। অদুগা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অনীরক হন্না ওইখ্রবা যু এসকী ভিনসেন হেনকোনা মেন স্কিট কম্পিটিসনগী গোল্ড, ওষ্ট্রেলিয়াগী পাওল অদামসনা শিলভর অমসুং ইটালিগী টামারোক কেসান্দ্রোনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ৱর্ল্ড কপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা পোদিয়ম য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু হৌখিবা নুমিৎশিংদা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী কন্টিন-জেন্টনা অহানবা ওইনা চহী অসিদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী মেদল টেল্লিদা মকোক্তা লৈবা ঙমখিবা অসিনা কন্টিনজেন্ট অসিগী শান্নরোয়শিংনা মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা ময়ূম লমদমদা হল্লক্লগনি।

শুটিং ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী সহাজর রিজবি, মানুভাকর, অখিল, সিওরান অমসুং ওম প্রকাস মিথাবলনা গোল্ড মেদলশিং লৌখি। অদুগা অঞ্জুম মোগদিলনা শিলভর অমসুং জিটু রাই, রবিকুমারনা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৬

১) হোকিদা রোল-ইনগী মহুৎ পুস-ইননা করম্বা চহীদা মহুৎ শিনখিবগে?

২) করম্বা সহরদা করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা ফ্রান্সকী ফুটবোল টিম অনী শরুক য়াখিবগে?

৩) রোবর্ট ষ্টেৱার্ট করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৪) মহাক অমেরিকাগী এয়র ফোর্সতা থবক তৌদুনা অনীশুবা লাঞ্জাউদা শরুক য়াবদা জপানিজশিংনা ফাদুনা কৈশুমশঙদা থমখি। লান মমাঙদা মহাক্না কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন ওলেম্পিক্তা লমজেল অশাংবদা শরুক য়াখিবদা ৮শুবা তাখি। মহাক্কী অরোইবা রাউন্দ অদু য়াম্না য়াঙনা চেনখি। মদুদা হিটলরনা মহাক্কী মখূৎ শোক্তুনা "Ah, You are the boy with the last finish" হায়না থাগৎপীখি। লমজেল্লোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ শগোলশেল, নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান হালেপ খুদোংথিবা নংগদবদগী নান্থোকহৌরে, অনিসিমোভা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



লোস এঞ্জেলিস, মার্চ ১২ (এজেন্সি) : ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সিমোনা হালেপ বি এন পি পরিবাস ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা খুদোংথিবা নংগদবদগী শম্নাদা নান্থোকহৌরে। অমন্দা অনিসিমোভা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

বি এন পি পরিবাস ওপন অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা ঙসি টোপ সীদ সিমোনা হালেপ অমসুং ৱর্ল্ডনম্বর ১৬৫ কেরোলিন দোলিহাইদ শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা সেটতা সিমোনা হালেপ কেরোলিন দোলিহাইদকী মখূৎতা ১-৬তা মায়থীখি। অনীশুবা সেটসু অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। ত্রাই বেক্তা অনীশুবা সেট অদু সিমোনা হালেপনা ৭-৬ (৩) দা মায় পাক্লগা খুদোংথিবা নংগদবদগী শম্নাদা নান্থোকহৌখি। অহুমশুবা সেটতা সিমোনা হালেপনা ৬-২দা মায় পাক্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

বি এন পি পরিবাস অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেচ অমদনা ৱাইল্ড কার্দ অনিসিমোভানা মাপনশুবা সীদতা লৈরিবা পেত্রা কেবিটোভাবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরক্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌশিনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া



দিল্লিদগী টি বি মুথৎপগী সম্মিট
হৌদোকপা
প্রাইম মিনিষ্টর, নরেন্দ্র মোদিনা
মার্চ ১৩, ২০১৮ বিজ্ঞান ভবন, ন্যু দেল্লিদা

শরুক য়াবিগদৌরিবশিং

অশ্বিনি কুমার চৌবে
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের

জগট প্রকাশ নাদ্দা
মিনিষ্টর ফোর হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের

অনুপ্রিয়া পটেল
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের

রিভাইস নেসনল ট্যুবরক্যুলোসিস কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (আর এন টি সী পি) গী মখাদা পায়খৎপা অচৌবা খোঙথাংশিং

- মোবাইল টি বি দাইগনোষ্টিক্স ভেন ৮০গী খূখাংদা য়াওনা (এক্টিভ কেস ফাইন্দিংগী মখাদা) ২০১৭তা চিংনবা মীওই মিলিয়ন ৫৫ টি বিগী লাইওংশিং য়েংথোক্লবা স্ক্রন তৌখি
- ত্রিটমেন্ট কমপ্লাইঅন্স হেনগৎহন্নবা ফিক্স দোজ কোম্বিনেসন য়াওবা নুংতিগী ওইবা রেজিমেন
- লায়ওং লেপ্লবা টি বি পেসেন্ট পূম্নমকপু সী বি এন এ এ টি মেছিন ১১০০ হেনবগী খূখাংদা দ্রগ রেজিষ্টেন্সকী চাংয়েং
- বেদাক্কিলিন অমসুং দেলামেনিদকুম্বা হেন্না নৌবা দ্রগশিং শীজিন্নবা হৌদোকখিবা
- টি বি লায়েং মনুংদা টি বি পেসেন্ট খুদিংমক্তা ন্যুত্রিসনেল সপোর্ট ওইনা থাগী লুপা ৫০০ পীনবা অহেনবা ফন্দশিং খাইদোকপা
- প্রাইভেট সেক্তরগী টি বি পেসেন্টশিংদসু দ্রগশিং অমসুং দাইগোনোষ্টিক্স লেম্না ফংহনবা

দিজিটেল খোঙথাংশিং :-

- টি বি - নিকশায়গী মপূং ফাবা মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেম
- আই টি য়াহল্লবা ত্রিটমেন্ট এডেরেন্স সপোর্ট-৯৯ দি ও টি এস
- লোজিষ্টিক্স মেনেজমেন্ট - নিকশায় ঔশাধি
- দি বি টি মেকানিজমগী খূৎথাংদা ইনসেন্টিভ পীবা

davp 17102/13/0087/1718

YouTube mohfwindia
@MoHFW_INDIA

www.tbcindia.gov.in
https://nikshay.gov.in

www.mohfw.nic.in
www.pmindia.gov.in
www.mygov.in